# টাইৱানদা ট্রেন গুরুং চৎপদা মীওই ৪৮ শিরে

হুৱালিয়েন, এপ্রিল ০২ (এজেন্সী): ইরাই নুমিত্তা মীওই ৫০০ রোম তোংবা টাইৱানগী এক্সপ্রেস ট্রেন অমা টন্নেল অমগী মনুংদা ট্রেক্তগী নাম্থোক্তুনা গুরুং চৎখিবগা লোয়ননা যামদ্রবদা পেসেঞ্জর ৪৮ শিখ্রে অমসুং অতে ৬৬ অশোক অপন নংখ্রে। থৌদোক অদু চহী ৪০রোমগী মনুংদা ঈথৎ অসিগী খ্বাইদগী তমথিবা রেল দিজাষ্টরনি।



সোসল মিদিয়াদা থাগৎলকপদা থৌদোক থোকফম অদুগী ইমেজশিংদা টন্নেল মনুংদা য়েশিনবদা কেরিএজ খরা মচেৎ তানা কায়বা, অতে খরনা মশুপ-মশুপ শুপচিনবা অমদি রেস্কু ৱর্করশিংনা পেসেঞ্জরশিং য়ৌনবা চঙবদা খুদোংচাদবগী শক্তমশিং উখি। অদুম ওইনমক, নুংথিলগী ময়ায় চল্লকপদা পেসেঞ্জর অমত্তা চিথদনা কেরিএজশিংদগী লৌথোকপা ঙমখি।

ক্রাস অদুদা হিংহৌবা নুপী অমনা দোমেষ্টিক টেলিভিজন্দা ফোঙদোকখিবদা, পেসেঞ্জরশিং অমগা অমগা তুশিন্নদুনা অমগী মথক্তা অমা লোন্নখি। মদু উবদা অকিবগী মশক ওইখি। ইমুং হুপ্পা তোংলকপা কয়া য়াওখি।

নোংপোকথংবা সিটি হুৱালিয়েনগী অৱাংদা থোকখিবা ট্রেন গুরুং চৎপগী থৌদোক অদুদা টুরিষ্ট কয়া তোংবা ট্রেন অদুগী ড্রাইভর শিখি। অতৈনা মহৌশাদগী লৈরক্লবা চয়োল অমা চুপ্পা চথুগদবা থৌরম অমদা শরুক য়ানবগীদমক্তা ময়ূম ময়ূমদা লাক্লবা মীওইশিংনি।

টাইৱান মিদিয়ানা হায়, ট্রেন অদু মী য়াম্না চিনবগা লোয়ননা মীওই কয়া লেপ্পখি। ক্রাসকী ফোর্স অদুনা মীওই কয়া মখোয়না লৈরিবা মফমদগী লাপ্না পাইথোকখি। মিদিয়া ইমেজশিংদা লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা হিংহৌবা মীওইশিং টন্নেল অদুদগী পুথোকখিবা উখি।

ঈথৎ অদুগী কেপিটেল টাইপৈদগী খা-নোংপোক থংবা সিটি টাইটুং তম্না চেল্লিবা ট্রেন অদু মনাক নকপা কন্সট্রক্সন সাইট অমদগী থৌদোরকপা ট্রক অমগা থেঙ্গায়নবদগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। মিদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না ট্রক অদু খঙহৌদনা লম্বীদগী শিৎলগা হাইদোরকখিবনি।

থৌদোক থোকফমদুদা ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর লিন চিয়ালুংনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, ট্রেন অদুদা পূন্না মীওই ৪৯০ রোম তোংখি। ফায়র ওথোরিটিশিংনা পীবা মশিংদদি মীওই ৩৫০ তোংই হায়না পনখিবনি।

ওফিসল সেন্ট্রেল ন্যুজ এজেন্সিনা হায়, মদু অঙম্বা লম্বীদগী শীৎলগা ট্রেনগী লম্বীদুদা থৌজিনখিবনি। হেন্দব্রেক শীজিন্নখিদবা ট্রক অদুগী ড্রাইভর ৱাহং-পাউহং চথুনবগীদমক পুলিসনা ফারগা পুখি। গুরুং চৎলবা ট্রেনদুগী নাকলদা লৈবা অকায়-অতোই নংলবা ট্রক অদুগী ইমেজ অমা ফায়র দিপার্টমেন্টনা থাগৎলকখি। নোংথক্তগী লৌবা ইমেজ অমদা ট্রেন অদুগী মমৈথংবা শরুক অদু কন্সট্রক্সন সাইট অদুগা থংনরিবা ট্রেকতা মখা তানা লৈবা উখি।

টাইৱানগী চীংগী লমদম ওইবা নোংপোক থংবা সমুদ্র মপান অদু টুরিষ্টশিংগী পন্থুংফম অমনি। টাইপৈদগী থেক খোইনা চেল্লিবা রেলৱে অদু টন্নেল কয়া ফাওই। ইরাই নুমিৎকী ক্রাস অসি টন্নেলশিংদুগী মনুংদা অমদা থোক্লিবনি। টাইপৈগা শম্নরিবা লিঙ্ক অদু কুমজা ১৯৭৯দা হাংখিবনি।

থৌদোক অদুগী মমাঙদা কুমজা ২০১৮ দা ঈথৎ অসিগী অৱাং নোংপোক লমদমদা থোকখিবা ট্রেন গুরুং চৎপগী থৌদোক অমদা মীওই ১৮ শিখি অমসুং অতে মীওই ১৭৫ রোম অশোক অপন নংখি। কুমজা ১৯৮১ ঈথৎ অসিগী অৱাং থংবা শরুক্তা থোখিবা ট্রেন থেঙ্গায়নবগী থৌদোক অমদা মীওই ৩০ শিখি। কুমজা ১৯৯১দা থোকখিবা ট্রেন ক্রাস অমদসু মীওই ৩০ শিখি।

# প্রোটেষ্ট লাকশিন্নবা ম্যান্মারগী মিলিটরিনা ব্রোদবেন্দ ইন্টরনেট সর্ভিস থিংজিনখ্রে

নেপিটো, এপ্রিল ০২ (এজেন্সী): ম্যান্মারদা মিলিটরি কূগী মায়োক্তা মীয়াম্না হনবা লৈতনা লেপ্তুনা প্রোটেষ্ট চথুবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী মিলিটরি রেজিমনা ব্রোদবেন্দ ইন্টরনেট সর্ভিস থিংজিনখ্রে।



ইন্টরনেট সর্ভিসতা অকায়বা থোকপশিং য়েংশিল্লিবা এদভোকেসি গ্রুপ নেটব্লোক্সনসু রেষ্ট্রিক্সনশিং অদু কনফর্ম তৌখি। লোকল মতমদা শগোলশেন নুমিৎকী নোংঙাল্লমদাই পুং ১ তাবদগী ম্যান্মারদা ইন্টরনেট থিংজিনখ্রে হায়বসি কনফর্ম তৌরে হায়না নেটব্লোক্সনা মসিগী ত্বিট অমদা পনখি। কুমজা ২০২০গী নভেম্বরদা পাঙথোকখিবা মীখলদা সিভিলিয়ন লীদর ওং সান সু চিগী নেসনল লীগ ফোর দিমোক্রেসি পার্টিনা মপূং ফানা মেজোরিটি ফংখিবা মতুংদা গভর্ণমেন্ট অমসুং আর্মিগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা মিলিটরিনা লৈবাক অসিগী লৈঙাক নমদুনা পায়শিনখিবা মতুং থা অনীরোম লৈরগা খোঙথাং অসি লাকপনি।

ইন্টরনেট শীজিন্নবদা অথিংবা কয়া থমখিবদগী এন্টি-কূ গ্রুপশিংনা মখা তানা ঈ-পাউফাওনবা ঙম্নবা হোৎনবদা রেদিও ফ্রিক্বেন্সিশিং, ওফলাইন ইন্টরনেট রিছোর্সশিং স্যের তৌনখি। ৱায়রলেস ব্রোদবেন্দ থিংজিন্নবা প্রোভাইদরশিংদা ওর্দর তৌখিবা মতমদা মিলিটরিনা থম্বগী মরম পনখিদে।

ফ্রী এক্সপ্রেসন ম্যান্মার কৌবা হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দরশিংগী গ্রুপ অমগী কেম্পেইনগা ত্বিটর পোষ্ট অমদা হায়, মোবাইল দেটা শীজিন্নবা য়াহনখিদ্রবা মতুংদা ফিক্স-লাইনদমক শীজিন্নবা য়াগনি। ওর্দর অসিগী মতম খরগীনি হায়জরবসু তম্বদি ঙমদে। মীপূম খূদিংমক্না মশা-মশাগী পান্থে থীনরি। কূগী মায়োক্তা চথুরকখিবা প্রোটেষ্টশিং নমথনবা হোৎনবদা মিলিটরিনা হালেংবা লৈতনা ফোর্স শীজিন্নরকখিবনি।

এন-প্রোফিট বোদি এক্সিষ্টেন্ট এসোসিএসন ফোর পোলিটিকেল প্রিজনর্স (এ এ পি পি)গী মতুং ইন্না, কূ চথুখিবদগী মিলিটরি ফোর্সশিংনা যামদ্রবদা মীওই ৫৪৩ হাংখ্রে। এন জি ও সেভ দ চিলড্রেনগী মতুং ইন্না ভিক্টিমশিং অদুগী মনুংদা অঙাং ৪০ হেন্না য়াওখি। মন্দলে, মাগৱে, বাগো, সাগাইং অমসুং কায়াহ ষ্টেট য়াওনা লৈবাক অসিগী সিটি পূম্নমক্তা মীয়াম্না লেপ্তুনা ঈংনা-চিক্না প্রোটেষ্ট চথুরি।

# য়ু কেদা ভেক্সিন পাসপোর্ট য়ানীংদবা হেনগৎলক্লি

লন্দন, এপ্রিল ০২ (এজেন্সী): বৃটেননা কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা লোকদাওনগী অথিংবশিং কোমথোকপা হৌরকপগা লোয়ননা গভর্ণমেন্টনা শেল-থুমগী থবক থৌরমশিং মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিলহনবদা মতেং ওইনবা খন্নরক্লিবা ভেক্সিন পাসপোর্টশিং অহেনবা বৃটিশ লোমেকর ৭০নসু য়ানীংদবা উৎখ্রে।

পবশিং নৎত্রগা স্পোর্টস ইভেন্ট-শিংনচিংবা মী তিনবা মফমশিংদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপখি হায়বগী প্রুফ উৎনবা মীয়ামদা খঙহনবগী ৱাখল্লোন অসি গভর্ণমেন্টনা রিভিয়ু তৌরি। ইন্টরনেসনল ত্রাভেলগী মতাংদা সর্টিফিকেট অমা মথৌ তারকপা য়াই হায়না প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সননা মমাঙদা ফোঙদোকখ্রবনি।

দেলি টেলিগ্রাফ পাউগী রিপোর্টনা হায়, কোভিদ পাসপোর্টশিং শীজিন্নবগী চাংয়েংশিং চয়োল খরগী মনুংদা মরু ওইবা স্পোর্টস ইভেন্টশিংদা হৌরগনি। তান চারবদি মথং থা অনীগী মনুংদা ম্যুজিক এৱার্দসকী থৌরম অমদসু চাংয়েং চথুরগনি।

ইরাই নুমিত্তা ৱা ঙাঙবদা জেন্সননা ইম্যুনিটি ফেক্টরশিং হায়বদি করিগুম্বা লায়না অসি লৈরম্বা ওইরবদি ভেক্সিন কাপখিবা নৎত্রগা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌখিবা অসিনা বিজনেসশিংদা কনফিদেন্স পীগনি। অসুম্না মরম অহুম অসি য়েংশিল্লবা মতমদা ঐখোয়না শেল-থুমগী থবক থৌরমশিংদা মহৌশাগুম্না মায় ওনশিনবা হৌবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

তৌইগুম্বসুং ভেক্সিন সর্টিফিকেটকী মতাংদা মশাগী কঞ্জর্ভেটিভ পার্টি অমদি ওপোজিসন লোমেকর খরা অমসুং সিভিল রাইটস গ্রুপশিংনা য়ানীংদবা উৎখি।

রুলিংগী এম পিশিং য়াওনা লোমেকর ৭০না খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা মীচং-মীখায় নাইনা নৎত্রগা অচান-মীরাই নাইনা কোভিদ ষ্টেটস সর্টিফিকেসন শীজিন্নবা অসি মখোয়না য়ানীংদে হায়খি।

গভর্ণমেন্টনা থৌরাং তৌরিবা রোদমেপ অদুগী মখাদা পবশিং থা অসিগী অথেংবা শরুক্তগী মপান্দা কষ্টমরশিং সর্ভ তৌবা য়াহল্লগনি। মেগী ময়ায় চনবদা অথিংবশিং মখা তানা কোমথোক্কনি অমসুং জুন লোইবা ফাওবগী মনুংদা অথিংবা পূম্নমক লৌথোক্কনি।

পব খরদি কষ্টমরশিংবু ভেক্সিন সর্টিফিকেটশিং পুথোকহনবা মথৌ তারকপা য়াই হায়না মমাঙ থাদা জোন্সননা ফোঙদোকখি। চৈরকসিদা, অসিগুম্বা সর্টিফিকেটশিংনা থিয়েটরশিংদা মী হেন্না চঙহনবদা মতেং পাংগনি হায়না কলচর মিনিষ্টর ওলিবর দাওদেননা ফোঙদোকখ্রে।

হৌজিক ফাওবদা হীরম অসিগী মতাংদা ৱারেপ লৌবা লৈত্রি অমসুং জোন্সননা সিনিয়র মিনিষ্টর মাইকেল গোবতা সর্টিফিকেটনা করি করম্বা থৌদাং লৌরকপা য়াবগে হায়বা য়েংশিন্নবা ইন্সট্রক্সন পীখ্রে।

# সুগাগা বাইদেনগা এপ্রিল ১৬তা হকথেংননা উনরগনি





টোকিও, এপ্রিল ০২ (এজেন্সী): জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর য়োসিহিদে সুগানা এপ্রিল ১৬তা ৱাশিংটনদা য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেনগা হকথেংননা উনরগনি হায়না ইরাই নুমিত্তা টোকিও গভর্ণমেন্টনা লাউথোকখ্রে।

জপানিজ গভর্ণমেন্টকী স্পোক্সমেন কাটসুনোবু কাটানা টোকিওদা ব্রিফিং অমদা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, বাইদেননা হৌখিবা জন্যুৱারীদা ওফিস পায়বা হৌখিবদগী সুগানা য়ু এস প্রসিদেন্ট অসিগা হকথেংননা উনবা অহানবা ফোরেন লীদর ওইরগনি। মসিনা জপান-য়ু এস এলাইএন্সকী মরী চেৎলি অমসুং অমেরিকানা ইন্দো-পেসিফিক রিজনদা মরু ওইবা মীৎয়েং থম্মী হায়বসি উৎলি।

কাটোগী মতুং ইন্না, লুচিংবা অনীনা হকথেংননা উনবা অদুদা ক্লাইমেট চেঞ্জ, কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক, চাইনা অমসুং নোর্থ কোরিয়াগা মরী লৈনবা ইস্যুশিং অমসুং ইন্দো-পেসিফিক রিজনবু অয়েৎ-অপন লৈতবা মফম অমা ওইহন্নবা কোওপরেসন পীনবগী মতাংদা খন্নগনি।

চাইনানা ইষ্ট চাইনা সি অমসুং সাওথ চাইনা সিদা এক্টিভিটি কনখৎলকপদগী উংখৎনবা হেনগৎলক্লিবগী মতমদা মখোয়না মরী লৈনবা ইস্যুশিং অসি চৈরক্তা লুচিংবা অনীগী সম্মিত অদু পাঙথোক্কদৌরিবনি। চাইনাগী কোষ্ট গার্দ ভেসেলশিংনা ইষ্ট চাইনা সিগী মী তাদবা ঈথৎ মপৈ অমগী মনাক্তা তোয়না চঙশিনবদগী বৈজিং অমসুং টোকিওগী মরক্তা দিপ্লোমেটিক্কী উংখৎনবা হেক হেক থোক্তুনা লাকখি।

জপাননা এদমিনিষ্ট্রেসন তৌরিবা সেনকাবু ঈথৎ মপৈ অদুবু চাইনা অমসুং টাইৱাননা ক্লেম তৌরিবনি। মখোয়না ঈথৎশিং অদুবু মথংশীৎনা দিয়াওয়ু অমসুং টিয়াওয়ুটাই হায়না মমিং থোল্লি। মীফম অদু হান্না থা অসিগী তঞ্জায় চনবা ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্লবা লেপ্পল্পদগী এপ্রিল ১৬তা অমুক লেপখিবনি।

# মৈগী চীংদগী উৎ কামথোরকপদগী ফ্লায়টশিং লেপহনখ্রে

রোম, এপ্রিল ০২ (এজেন্সী): ইটালিগী সিসিলি রিজনদা লৈবা মৈগী চীং মাওন্ট ইটনাদগী অশাবা উৎ মপৈশিং কামথোরকপদগী লমদম অদুগী কাটানিয়ন সিটিদা লৈবা এয়রপোর্টতা ফ্লায়ট পূম্নমক পূং কয়া লেপহনখ্রে।

এজেন্সীগী রিপোর্টনা হায়, শগোলশেন নুমিত্তা মৈগী চীং অদুগী খা নোংপোক থংবা মচিন্দগী কিলোমিটর ৯ লোম ৱাংবা অশাবা মৈখু মপৈ অমা কাখৎলকখি।

এয়রপোর্ট অদুনা ফোঙদোরকপদা, অয়ূক্তা থবক লেপখিদ্রবসু ফ্লাইটশিং পাইখৎপা অমদি লেন্দিং তৌবদি পূং খরা লেপখি। নুংথিলদা নোর্মেল ওপরেসন হৌখি।

মমাঙদা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ জিওফিজিক্স এন্দ ভোলকেনোলোজিনা ইটনাগা নক্না লৈবা এয়র স্পেসকা মরী লৈননা ৱার্নিং অমা ইস্যু তৌখি। ইটনানা মৈখু, উৎ অমসুং লভা কামথোরকপদগী কটানিয়াগী এয়রপোর্ট অদুনা থবক লেপ্পসি তোয়না থোকপা থৌদোক অমনি।

রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না মিটর ৩,৩০০ ৱাংবা মৈগী চীং অদু হৌখিবা ফেব্রুৱারীদগী ১৭রক ইরপসন থোকখ্রে। মাওন্ট ইটানা অসি মালেমগী খ্বাইদগী এক্টিভ ওইবা মৈগী চীংশিংগী মনুংদা অমনি। কুমজা ২০১৩গী জুন থাদা চীং অসি য়ুনেস্কোগী ৱর্ল্দ হেরিটেজ সাইটশিংগী লিষ্টতা য়াওহনখি।

# পীছ প্রোসেস মপূং ফাহনবদা মতেং পাংনবা সুদাননা এ য়ুদা তকশিনখ্রে

খার্টুম, এপ্রিল ০২ (এজেন্সী): নন-সিগনেটরি গ্রুপশিংসু য়াওহন্দুনা সুদানগী পীছ প্রোসেস মপূং ফাহনবদা মতেং পাংনবা লৈবাক অসিগী সোভরেন কাওন্সিলগী চ্যেরমেন অব্দুল ফাটাহ অল-বুর্হাননা অফ্রিকান য়ুনিয়ন (এ য়ু)দা তকশিনখ্রে।

সুদানদা লাক্লিবা এ য়ু পীছ এন্দ সিক্যুরিটি কাওন্সিল (এ য়ু পি এস সী)গী দেলিগেসনগা শগোলশেন নুমিত্তা প্রসিদেন্সিএল পেলেসতা ৱারী শানবদা অল-বুহাননা ৱাফম অদু তকশিনখিবনি হায়না কাওন্সিলনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

পীছ প্রোসেস মপূং ফাহনবদা মতেং পাংনবা সুদাননা এ য়ু অমসুং এ য়ু পি এস সীগী মতেং মখা তানা পাম্মী লোয়ননা নন-সিগনেটরি গ্রুপশিংদা প্রোসেস অদুদা য়াওনবা আপীল তৌরি। অফ্রিকানশিংনা হোৎনজদুনা লমদম অসিগী ইস্যু খূদিংমক্কী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবা হায়বসি সুদানগী অপাম্বনি হায়না অল বুর্হাননা দেলিগেসন অদুদা নৌহৌনা খঙহনখি।

এ য়ু পি এস সী দেলিগেসনগী মকোক মোহম্মদ ইদ্রিসনা সুদানদা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা লৈবাক অসিবু মতেং পাংবা পাম্মী হায়খি।

# রেফ্যুজি কেম্প অমগী মনাক্তা লৈবা কৈথেল অমা মৈ চাকপদা রোহিঙ্গা নুপা অহুম শিরে

ধাকা, এপ্রিল ০২ (এজেন্সী): বাংলাদেশকী কোক্স বাজার দিষ্ট্রিক্টকী রেফ্যুজি কেম্প অমগী মনাক্তা শেমগৎখিবা কৈথেল অমদা লৈবা দুকান কয়া ইরাই নুমিত্তা মৈনা তূম্না চাকখিবগা লোয়ননা যামদ্রবদা রোহিঙ্গা নুপা অহুম শিখ্রে হায়না ফায়র ফায়টরশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ফায়র বৃগেদকী ওফিসর খিসা খোই মার্মানা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা কোটুপালোং রেফ্যুজী কেম্প মনাক্তা লৈবা কৈথেল অদুদা মৈ চাল্লকপদগী পূমতুম তূমখ্রবা দুকান ২০গী মনুংদা অমদা হকচাংশিং অদু থেংনবনি।

মৈ চাকপগী থৌদোক থোক্লিবা মফম অদু কেপিটেল ধাকাগী খা-নোংপোক্লোমদা কিলোমিটর ৩২৫ রোম লাপ্পা কোক্স বাজার দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা রোহিঙ্গা রেফ্যুজী কেম্পশিংগা নক্লে।



ওফিসল অসিগী মতুং ইন্না, মৈহৌ লাংপোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদু চহী ২০ অমসুং ২৫ মরক্কী লেঙ্গাশিংনি অমসুং মখোয় মৈ চাকপদুদা য়াওখ্রবা ফি-রোলগী দুকান অমদা থবক তৌবশিংনি। মৈ চাল্লকখিবা মতমদুদা মখোয় দুকান মনুংদা তূপ্লম্বা য়াই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

লোকল ফায়র সর্ভস এন্দ সিভিল দিফেন্স দিপার্টমেন্টকী মকোক ইমদাদুল হককী মতুং ইন্না, ইলেক্ট্রিক্কী অশোয়বা অমনা থৌদোক অদু থোকহনখিবা ওইরম্বা য়াই। মৈ হৌরকখিবগী মরম খঙদোক্লবা থীজিন হুমজিনবসু হৌখ্রে।

য়ু এন রেফ্যুজি এজেন্সিগী মতুং ইন্না, হৌখিবা থাদা অচৌবা মৈহৌ লাংপোক অমা থোকখিবদা যামদ্রবদা মীওই ১৫ শিখি অমসুং অতে মীওই ৪৫,০০০ হেন্না লৈফম লৈহনখিদে।

বুধিষ্টশিংনা মশীং য়াম্বা ম্যান্মারদা ওৎ-নৈবগী থৌওং কয়া চথুরকপদগী লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চেল্লকখিবা রোহিঙ্গা মুসলিম মিল্লিয়ন অমা হেন্না বাংলাদেশকী কোক্স বাজার দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা চীংগী লম হেক্টর ৩,০০০ হেন্না পাক-চাওবা মফমদা শারিবা রেফ্যুজি কেম্পশিংদা শৈদাংদুনা লৈরকখি।

কুমজা ২০১৭তা ম্যান্মার মিলিটরিনা মুসলিম লালহৌবশিং তকথোক্লবা হোৎনবগী মিংদা ইথনিক গ্রুপ অসিগী মায়োক্তা শাথিরবা কেম্পেইন অমা হৌখিবদা কাঙলুপ অসিগী মীওই ৭৫০,০০০ রোম বোর্দর লাল্লগা বাংলাদেশতা চেনশিনখি।

# ইদ মতুংদা এন্টি গভর্ণমেন্ট রেল্লি পাঙথোক্লগনি

ইস্লামবাদ, এপ্রিল ০২ (এজেন্সী): পাকিস্তানদা ইদ-উল-ফিটর মতুংদা ইনৌ নৌনা এন্টি-গভর্ণমেন্ট প্রোটেষ্টশিং চথুরগনি হায়না ওপোজিসন পাকিস্তান মুসলিম লীগ-নৱাজ (পি এম এল-এন)না লাউথোকখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্ট অমনা হায়রি।

এক্সপ্রেস ট্রিব্যুনগী রিপোর্টনা হায়, পি এম এল-এনগী সুপ্রিমো অমসুং হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফনা প্রিসাইদ তৌদুনা শগোলশেন নুমিত্তা ইস্লামবাদতা পাঙথোকখিবা পূং অহুম চুপ্পা চথুখিবা ভার্চ্যুএল মীটিং অমা লোইরবা মতুংদা ৱাফম অসি লাউথোকখিবনি।

পি এম এল-এনগী সিনিয়র লীদর অমনা হায়, শরিফকী ইন্সট্রক্সন্দা পি এম এল-এননা ইদ-উল-ফিটর মতুংদা অনৌ নৌনা প্রোটেষ্ট রেল্লি কয়া পাঙথোক্লবা ৱারেপ লৌরে। ৱারেপ অদু পার্টি ১১না পূনবা ওপোজিসন এলাইএন্স পাকিস্তান দেমোক্রেটিক মুভমেন্ট (পি দি এম)গী মথংগী মীফমদা পার্টনর খূদিংমক্তা খঙহল্লগনি।

পি এম এল-এনগী ঈহৌ অদুদা য়াওরক্কনি হায়বগী থাজবসু পার্টিগী সিনিয়র অসিনা ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক পার্টি অসিনা পি দি এমগী পার্টিশিং য়াওরবসু য়াওদ্রবসু প্রোটেষ্টকী থৌরাং অদু পাঙথোক্লবা মখা তাবা খোঙথাং লৌখৎনবা লেপ্লে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# অলেক্সি নভালনিগা মরী লৈনবা প্রোটেষ্টকী মাঙওইননা রসিয়ানা এন্টি-রাইওট গিয়র লৈগদৌরি

মোস্কো, এপ্রিল ০২ (এজেন্সী): ক্রেমলিন ক্রিটিক অলেক্সি নভালনিগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রোটেষ্ট অমগী মাঙওইননা রসিয়ানা পুলিসনা শীজিন্নবা এন্টি-রাইওট কিটশিং অমসুং প্রোটেক্টিভ গিয়র লৈনবা টেন্দরশিং ইস্যু তৌখ্রে হায়বসি ষ্টেট প্রোক্যুরমেন্ট দোক্যুমেন্টশিংনা উৎখ্রে।



জেলদা থল্লিবা ওপোজিসন পোলিটিসিয়ন অসিগী মীচঙশিংনা প্রোটেষ্ট অদু রসিয়াগী মোদর্ন হিষ্ট্রিদা খ্বাইদগী চাওবা ওইরগনি হায়না থাজরি।

মশাগী চহী ৪৪ শুরবা নভালনি হৌখিবা ফেব্রুৱারীদা জেলদা থমখিবনি। তৌইগুম্বসুং মঙোন্দা শীরিবা মরালশিং অদু শেমজিনবা ঙাক্তনি হায়না ওপোজিসন পোলিটিসিয়ন অসিনা ফোঙদোকখি।

নভালনিনা মহাক্কী য়াঙলেন অমসুং খোঙদা কন্না নাবা লৈরে হায়রদুনা মহাকপু মেদিকেল ক্যের নীংথিনা ফংহন্নবা জেল ওথোরিটিদা প্রেসর পীনবগীদমক্তা মহাক হঙ্গর ষ্ট্রাইক তৌরে হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লাউথোকখি।

নিংথামগী মতমদা মহাকপু থাদোক্লবা দিমান্দ তৌরদুনা দেমোন্সট্রেসন অহুম পাঙথোকখ্রবা মহাক্কী মীচঙশিংনা ফোঙদোকখিবদা, মীওই ৫০০,০০০না প্রোটেষ্টতা শরুক য়ানবা রেজিষ্টর হেক তৌবগা মখোয়না লৈবাক শীন-থুংনা লম্বীদা পাঙথোক্ক-দৌরিবা অনৌবা প্রোটেষ্ট অমগী মতম লাউথোক্লগনি। হৌজিক ফাওবদা মীওই ৩৭০,০০০ রেজিষ্টর তৌরে।

রসিয়ন ওথোরিটিশিংনা অসিগুম্বা ষ্ট্রীট প্রোটেষ্টশিং ইলিগেল ওই হায়রদুনা হেক পাঙথোকপগা থুগায়গনি লাউথোকখি। মার্চ ৩০দা রসিয়াগী ষ্টেট প্রোক্যুরমেন্ট ওনলাইন পোর্টেলদা ফোঙখিবা ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী টেন্দর অমনা রুবল মিল্লিয়ন ২৩৯ (দোল্লর মিল্লিয়ন ৩.১৫)গী ওইগদবা পুলিসকী এন্টি-রাইওট কিট ২,০০০ হেন্না সপ্লায় তৌনবা হায়জখি। কিট অমদা য়াওরিবশিংদি বোদি আর্মর, হেলমেট অমসুং খোঙদা অশোক অপন থোক্তনবগী প্রোটেক্টরশিংনি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা প্রোটেক্টিভ কিট ১,৬২৫, হেলমেট ২০০ অমসুং বুল্লেট প্রুফ ভেষ্ট ৪০০ হেনবগী টেন্দরশিংসু ইস্যু তৌখি। হীরম অসিগী মতাংদা করি লৈবগে হংবদা ইন্টরিয়র মিনিষ্টরনা খূদক্তা পাউখুম পীরকখিদে।

হৌখিবা ফেব্রুৱারীদা নভালনি শৌগৎলদুনা লৈবাক শীন-থুংনা রেল্লি কয়া পাঙথোকখিবা মতুংদা প্রিজন ওথোরিটিনা টেজর, স্মোক গ্রেনেদ অমসুং প্রোটেক্টিভ গিয়র চা-কয়া লৈনবা টেন্দরশিং ইস্যু তৌখি। ক্রেমলিন ক্রিটিক অসি সাইবেরিয়াদা পোইজনিং তৌখিবা মতুং জর্মনিদা লায়েংবা লোইরগা হৌখিবা জন্যুৱারীদা রসিয়াদা হল্লকপদা ফাখিবনি। মহাকপু পোইজনিং তৌখিবদা নর্ভ এজেন্ট অমা শীজিন্নখি হায়না জর্মন দোক্টরশিংনা ফোঙদোকখি।

নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা মহাকপু থাদোক্লবা দিমান্দ তৌখি। অমরোমদা, মোস্কোগী মায়কৈদগী মদু রসিয়াগী মনুংগী ওইবা ৱাথোক্তা খূৎ থিংজিল্লকপগী থৌওংনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা নভালনিদা হূ থাখি হায়বগী ইভিদেন্স উদে হায়খি।

# ক্যুবা-য়ু এস মরীদা ৱাতেম্বা ঈ য়ুনা য়াখ্রে

হবানা, এপ্রিল ০২ (এজেন্সী): য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন (ঈ য়ু)না ক্যুবা-য়ু এস মরীদা ৱাতেম্বগী ৱাফম য়ারে হায়না লোকল মিদিয়া রিপোর্ট অমনা হায়রি।

ক্যুবাবু য়ু এসনা মরন্নাই শেমজবা টেরোরিজমগী থবক থৌওংশিংবু পূক্নিং থৌগৎলিবা লৈবাকশিংগী লিষ্টতগী লৌথোকহন্নবগী পান্দমদা লৈবাক অনীগী মরীদা ৱাতেম্নবা য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্টকী গ্রুপ ওফ ফ্রেন্দসিপ এন্দ সোলিদরিটি ৱিথ দ পীপল ওফ ক্যুবানা হায়জবদগী ঈ য়ুগী থাই রিপ্রজেন্টেটিভ জোসেপ বোরেলনা ৱাফম অদু য়ারে হায়না এজেন্সিনা লোকল মিদিয়া রিপোর্ট অদু পল্লদুনা হায়রি।

য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ত্বিটরদা ফোঙখিবা য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বরশিংদা বোরেলনা ইখিবা চেরোল অমদা হাই রিপ্রজেন্টেটিভ অসিনা হায়খি। য়ু এসকী অনৌবা এদমিনিষ্ট্রেসন অসিগা ঐখোয়না পাউ ফাওনবদা ইস্যু অসি য়েংশিনবগা লোয়ননা য়ু এসতা দেগিজনেসন অসি লৌথোক্লবা তকশিল্লগনি।

মদুগী পাউখুম ওইনা ক্যুবাগী নেসনল এসেমব্লি ওফ পীপলস ৱারগী দেপ্যুটি প্রসিদেন্ট অনা মারি মাচাদোনা ঈ য়ুগী ৱারেপ অদু অদুক্কী মতিক থাগৎলি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ক্যুবানা কৈদৌঙৈদসু টেরোরিজম শৌগৎখিদে। ঐখোয়না মীয়ামগী মরক্তা মরা তপ্পা, মতেং পাংনবা অমসুং চান-চিন্ননা লৈমিন্নবগী ৱাখল্লোন অসি শৌগৎলি।

কুমজা ১৯৮২দা য়ু এসনা অহানবা ওইনা ক্যুবাবু টেরোরিজম শৌগৎপা ষ্টেট অমনি হায়না লাউথোকখি। প্রসিদেন্ট বরাক ওবামাগী মখাদা লৈবাক অনীগী মরক্তা দিপ্লোমেটিক মরী নৌনা লিংখৎলকখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০১৫দা লৈবাক অসি লিষ্ট অদুদগী লৌথোকখি।

# কোভিদ রুলশিং ঙাক্লবা মীয়ামদা আপীল তৌখ্রে

বর্লিন, এপ্রিল ০২ (এজেন্সী): জর্মনিগী চান্সেল্লর এঞ্জেলা মর্কেল্লনা লৈবাক অসিগী সিটিজনশিংদা ইষ্টর মনুংদা কন্টেক্টকী অথিংবশিং অমসুং হেল্থকী থৌরাংশিংগা মরী লৈনবা রুল খূদিংমক চেকশিন্না ঙাক্লবা আপীল তৌখ্রে।

শগোলশেন নুমিত্তা ভিদিও মেসেজ অমগী খূথাংদা মর্কেলনা হায়খি, মরু ওইবা পান্দমশিংগী মনুংদা অমদি লৈবাক অসিগী হেল্থক্যের সিষ্টেমবু চাউরবা চেলেঞ্জ থেংনবা ঙমহন্নবগীদমক্তা মীয়ামগী হকশেল লায়না-তিলনাদগী ঙাকথোকপা অমসুং লৌখৎফম থোকপা খোঙথাং খূদিংমক লৌখৎপা অসিনি।

জর্মনিগী দোক্টর অমসুং নর্সশিংখক্তনা হোৎনবদা পেন্দেমিক অসিগী অহুমশুবা ৱেভ থেংনবদা মায় পাকপা ঙম্মোই।

ঐখোয়গী থৌওংশিং অমসুং হৈনবীশিংদা অহোংবা লাকহল্লগা ইনফেক্সনগী খোঙজেল তমথহনবা, ইনফেক্সন লেপহনবা অমদি লৈরিবা ফিভম অদু হন্দোকহনবা য়াগনি হায়না চান্সেল্লর মর্কেলনা ফোঙদোকখি।

পান্দমশিং অসিগী মতুং ইন্না, হন্দক্কী ইদ অসি ঈংনা-চিক্না অমদি মী মশিং য়াম্না তিন্দনা পাঙথোকপা মথৌ তাই। মীপূম খূদিংমক থা কয়া অথিংবশিং মায়োক্নদুনা লাক্লবসু কন্টেক্ট মশিং খ্বাইদগী হন্থবা চাং ওইহনগদবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি। টেষ্ট মতিক চানা তৌবা অমসুং লৈবাক অদুগী ভেক্সিনেসন কেম্পেইন্না মরম ওইদুনা হৌজিক্তা কোভিদকী ফিভম হান্নদগী তোঙাল্লে হায়না পল্লদুনা মর্কেলনা জর্মনশিংবু কোরোনাভাইরস পেন্দেমিক্কী খ্বাইদগী লুরবা 'তাঙ্ককসিদা' পূক্নিং থৌগৎখি।

জর্মনিদা ইনফেক্সন লেপ্তুনা হেনগৎলকপগা লোয়ননা লৈবাক অসিনা পেন্দেমিক্কী অহুমশুবা ৱেভ অমা মায়োক্লরি। লৈবাক অসিদা অনৌবা কেস ২৪,৩০০ রেজিষ্টর তৌদুনা চয়োল অমগী মমাঙদা দিটেক্ট তৌখিবা মশিংদগী ১,৬০০ রোম হেনখি।